## ইমাম পোজিটিভ ওইরে

ধকা, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশকী মগুরা দিষ্ট্রিক্টতা ইমাম অমা মোস্ক অমদা মহাক্না লুচিংদুনা রমজানগী লাইশোন থৌরম পাঙথোকখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা নোভেল কোরোনাভাইরসকী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা লাইশোন থৌরম অদুদা য়াওখিবা মীওই ২০ অমদি মখোয়গী সেম্পলশিং লৌখিবা হেল্থ ৱর্করশিং টেষ্ট তৌরগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

## পেসেন্ট সুইসাইদ তৌখ্রে

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
নোভেল কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা মশাগী চহী ৫০ শুরবা নুপা অমা বেঙ্গলুরুদা লৈবা বিল্ডিং অমদগী চোংথদুনা মথন্তা শিজখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নুপা অদু ভিক্তোরিয়া হোস্পিটালগী কেম্পসতা লৈবা ট্রোমা ক্যের সেন্টরগী ৭ শুবা মথোলদগী চোংথদুনা শিজখিবনি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না ভিক্তোরিয়া হোস্পিটালদা এদমিট তৌরিবা মীওই অদু সিবিয়র একুইট রেস্পেরেটেরি ইনফেক্সনগী লাইওংচপ চানা লৈরবা মীওইনি। মহাক ইরাই নুমিত্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বসি খঙখি।

## প্রাইম মিনিষ্টর জোন্সন থবক্তা মায় ওনশিনখ্রে, লোকদাওন কোমথোকপগী ৱাফম লুই হায়খ্রে



লন্দন, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন কোভিদ-১৯দগী ফদুনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহৌশাগুম থবক্তা অমুক মায় ওনশিনবা হৌখিবগা লোয়ননা অনীশুবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অমা লাকপা য়াই হায়না কিবদগী লৈবাক অদুগী শেল-থুমগী ফিভমদা শোকহল্লিবা লায়না লাকশিন্নবগী অকনবা লোকদাওনগী থৌরাংশিং কোমথোকপা হায়বসি হৌজিক্কী ওইনদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমা ওইরি হায়না মহাক্না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয় খুদিংমক্না হৌখিবা চয়োল তরুক অসিদা উৎখিবা লিংজেল মান্নবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপকী থৌনা অদুমক মখা তানা উৎপা ঙম্লবদি শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি ঐখোয়না শোয়দনা মায়থিবা পীবা ঙমগনি হায়বসিদা ঐঙোন্দা চিংনবা অমত্তা লৈতে হায়না জোন্সননা দাউনিং ষ্ট্রিটকী মপান্দা ৱা ঙাঙলদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক কোরোনাভাইরস চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুং লায়েংবা অমসুং মশা ফগৎলকপা ঙাইবদা থা ১ গা নোংমা লৈরুরবা মতুংদা দাওনিং ষ্ট্রিটতা অমুক হল্লকখিবনি।

কোরোনাভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা থবক ফংদবগী চাং ৱাংখৎলকপা, কম্পনি কয়া থবক লেপ্পখিবা অমসুং রিসেসন শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী অকিবা লৈরবা তালক অসিদা জোন্সন্না মখা তানা ফোঙদোকখি মদুদি, বিজিনেসকা মরী লৈননা মীপাইনরিবা ৱাফমশিং মহাক্না মুন্না খঙই। অদুনা লোকদাওন কোমথোক্লবগী লম্বী অমা য়াৎপগী মতাংদা মহাক্না ওপোজিসন পার্টিশিংগা তান্নরগনি।

তৌইগুম্বসুং, অনৌবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বৃটেনদা হৌজিকসু য়াম্না চেকশিনবগী মতম ওইরি হায়না পল্লদুনা মহাক্না লোকদাওনগী অথিংবশিং হাথু-হাথুনা কোমথোকপগী ফিভম লৈরোই হায়খি।

থাংজ নুমিৎ ফাওবদা বৃটেনগী হোস্পিটালশিংদা শিখিবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট ২০,৭৩২ য়ৌখ্রবনি। লান নত্তবা মতমদা বৃটেনদা চৎনহল্লিবা খ্বাইদগী কনবা লোকদাওনগী থৌরাংনা চহী চা অহুমগী মনুংদা লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী শাথিবা রিসেসনগী ফিভম অমা লাকপা য়াবগী অকিবা লৈরকখিবনি।

## য়েমেনগী খা থংবা শরুক্তা উংখৎনবা লেপ্পবা কোলিসন্না অপিল তৌখ্রে



রিয়াদ, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
য়েমেনগী ইরাংদা মিলিটরি ফোর্স শীজিন্নদুনা শরুক য়ারিবা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসনদা লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা মশাগী লৈঙাক লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মরু ওইবা সেপরেটিষ্ট গ্রুপ অমদা মখোয়গী থৌরাং অদু থাদোক্নবা তকশিনখ্রে। পার্টি খুদিংমক্না নোভেল কোরোনাভাইরস থেংনবদা মায় ওনশিন্নগদবা মতম অসিদা অসুম্না উংখৎনবা হেনগৎহনবা খোঙথাং লৌখৎপসি চুমদে হায়না কোলিসন্না ফোঙদোকখি।

কোরোনাভাইরস পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৈবাক পুম্নগী ওইনা তুং কোইনা চৎনগদবা সীজফায়র অমা লৈহন্নবা কন্না হোৎনরিঙৈ তালকসিদা সেপরেটিষ্ট সাউদর্ন ট্রাঞ্জিস্নেল কাউন্সিল (এস টি সী)না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা এস টি সী অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা গর্ভর্নমেন্টকী মরক্তা নৌহৌননা লান শোক্লহল্লকপা য়াবগী অকিবা অমা লাকহনখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদু নুংনাংনিংঙাই ওই হায়না পনবগা লোয়ননা য়ু এন য়েমেন এনভোই মার্টিন গ্রিফিথনা হায়খি মদুদি, হৌজিক্তি পোলিটিকেল এক্টর খুদিংমক্না অমগা অমগা থাজনবা থম্নদুনা কোওপরেসন পীনবা, উংখৎনবা হেনগৎহনগদবা খোঙথাংশিং লৌখৎনদবা অমদি য়েমেনগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবগী মতমনি। খা থংবা লমদমদা ইমর্জেন্সি লৈঙাক চৎনহল্লে হায়না এস টি সীনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখিবনি।

## ইন্দোনেসিয়াগী অনৌবা কেপিটেল শেমগৎ-শাগৎপা থিন্থদুনা লৈরে



জকার্তা, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
মী কা হেন্না চিল্লবা অমসুং পোল্যুসনগী চাং ৱাংলবা জকার্তাগী মহুৎ শীনগদবা ইন্দোনেসিয়াগী অনৌবা কেপিটেল শেমগৎ-শাগৎপগী থবক কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্না মরম ওইদুনা থিন্থরগনি হায়রি।

অনৌবা কেপিটেল শানবগী শেনফমগী য়াম্লবা শরুক অমা গভর্নমেন্টনা শাথিরবা হেল্থ ক্রাইসিস অসি থেংনবদা শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙবা ইফেন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না শুপ্নগী ইলেক্ট্রিক গাড়িশিংদমক চেলহন্নবা মওংদা গ্রীন সিটি অমা ওইনা দিজাইন তৌখিবা বোর্নিও ইথৎতা শেমগৎকদৌরিবা অনৌবা কেপিটেল অদুগী কন্সট্রক্সনগী থবক চহী অসিগী অরোয়বদা হৌরগা কুমজা ২০২৫ তা লৈবাক অসিগী কেপিটেল ওইনা লাউথোক্লবা থৌরাং তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা মমিং থোন্দ্রিবা অনৌবা সিটি অদুগী বজেট দোলর বিলিয়ন ৩৪ য়ৌখি। মদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌদ্রিবা ওইরবসু গভর্নমেন্টনা লম লৈনবগী ফন্দশিং খায়দোকখ্রবনি। কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা লৈবাক অসিগী তুংগী কেপিটেলগী থৌরাংশিংদা অহোংবা লাকহনবা য়ানা লৈরে হায়রি।

অনৌবা সিটি শেমগৎ-শাগৎপগী প্রোজেক্ট অদুগী থবক পায়রিবা মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক হাউজিংগী চহী অসিগী বজেট কোরোনাভাইরসনা হন্থহনখি। বজেটকী শেনফম দোলর বিলিয়ন ৭.৭ ওইরম্বদগী দোলর বিলিয়ন ৪.৫ তা হন্থখিবনি। মসিগী মথক্তা বজেট অদুগী শরুক খরা য়োগেয়াকার্তা টাউনদা হোস্পিটাল অমা শাবগী দোলর বিলিয়ন ১১৮ হেনবা শেনফম য়াওনা পান্দেমিক অসিবু থেংননবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপদা থাদরগনি হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখি।

চাওখৎপগী মমিং ইতা তাদ্রিবা কুতাই কর্তনেগেরা ম্যুনিসিপালিটিদা শেগৎ শাগৎকদৌরিবা অনৌবা সিটি অদুদা লৈবাক অসিগী কেপিটেল চহী ৫ লৈরগা জকার্তাদগী হোংজিন্নবা থৌরাং তৌখিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ন মিলিয়ন ২ রোম্না ভাইরস ট্রেসিং এপ দাওনলোদ তৌনখ্রে



সিদনি, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
মেদিকেল ৱর্করশিং অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংগা নকশিন্নখিবা মীওইশিং খোঙ্গুল লীবদা মতেং পাংগদবা মওংদা দিজাইন তৌখিবা এপ অমা ওষ্ট্রেলিয়ন মিলিয়ন ২ রোম্না য়াম্না থুনা দাওনলোদ তৌনখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিজন্না লৌখৎলকখিবা কোভিদ-১৯ পান্দেমিক্কী রেস্পোন্সকা মরী লৈনবা খোঙথাংশিংনা মহাক্কী এপ্রুভেল রেতিং হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়নশিংনা ট্রেসিং এপ অদুবু থৱায় য়াওনা দাওনলোদ তৌনখি। হৌজিক ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৬,৭০০ তমক দিটেক্ট তৌদু অমদি শুপ্নগী মীওই ৮৩ লায়না অসিনা শিহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি কোরোনাভাইরস পান্দেমিক অসিবু থেংনবদা খ্বাইদগী মায় পাক্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনরি।

লৈবাক অসিনা বোর্দর থিংজিনবা, চৎথোক-চৎশিনদা অথিংবা থম্বা অমসুং য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈহনবনচিংবা থৌরাং কয়া লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা মতম চানা লৌখৎপা ঙমখি। হৌখিবা মার্চতা লৈবাক অসিগী ইনফেক্সনগী চাং চাদা ২৫ ওইরম্বদগী হৌজিক্তি নুংতিগী ওইবা ইনফেক্সনগী গ্রোঠ রেট চাদা অমদগী ফাওবা হন্থখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টেট খরনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী অথিংবশিং কোমথোক্লবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা য়াম্না থুনা লাইওং উৎলকপা অমদি থিদনা পাকত্তনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট চথবা হৌরগনি। অহানবদা হেল্থ ৱর্করশিং অমসুং নহা ওইরিবা মীওইশিংদা অসিগুম্বা চাংয়েং অসি হৌগনি।

হেল্থ মিনিষ্টর গ্রেগহন্না ফোঙদোকখিবদা, নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়ন মিলিয়ন ১.৮ ট্রেসিং এপ কোভিদসেফ দাওনলোদ তৌনখি। এপ লোঞ্চ তৌখিবা পুং ১৬ কী মনুংদা দাওনলোদ মিলিয়ন ২ রোম য়ৌখি।

## জর্নেলিষ্টশিং শিবা থোক্লবদি লুপা লাখ ১৫ গী এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি

ভুবনেস্বর, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
মশাগী মথৌদাং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন্না মরম ওইদুনা শিবা ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট অমগী খ্বাইদগী নক্লবা ইমুং নৎত্রগা মরী-মতাগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ১৫গী এক্স-গ্রেসিয়া পীগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা উরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নাভিন পটনাইকনা লাউথোকখ্রে।



জর্নেলিষ্টশিংনা শাথিরবা কোরোনাভাইরসকী মরমদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবগা লোয়ননা থম্মোয় শেংনা মখোয়গী মথৌদাং পাঙথোকচরি। করিগুম্বা জর্নেলিষ্ট অমা ভাইরস অসিনা শিবা থোক্লবদি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মহাক্কী ইমুংগী খ্বাইদগী নক্লবা মীওইদা লুপা লাখ ১৫গী এক্স-গ্রেসিয়া পীগনি হায়না সী এম ওগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাংদা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা শিবা মেদিকেল/হেল্থক্যের ওফিসলশিং অমসুং সপোর্ট সর্ভিসেসগী মেম্বরশিংগী খ্বাইদগী নক্লবা ইমুং নৎত্রগা মরী মতাগী মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫০ পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি। ষ্টেটনা মখোয়বু লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখিবশিংনি হায়না লৌবগা লোয়ননা ষ্টেটকী থাক্তা লৈখিদবশিংগী মথৌ-মঙম পাঙথোক্কনি হায়নসু লাউথোকখি।

চীফ মিনিষ্টর নভিন পাটনাইক্না হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরসনা মালেম পুম্বদা অচৌবা হকশেলগী ইশু্য অমা লাকহল্লে। মসিদা জর্নেলিষ্টশিংনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবগী মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরি। মখোয়না অরুবা ফিভম মরক্তা মখোয়গী প্রোফেস্নেল দ্যুটিশিং পাঙথোকচরি।

উরিষা গভর্নমেন্টকী মিদিয়া এদভাইজর মানাস মঙ্গরাজনা চীফ মিনিষ্টরবু জর্নেলিষ্টশিংদা মীনুংশিং উৎপা খোঙতাং লৌখৎলকপগীদমক্তা থাগৎখি।

## বেঙ্গলুরুগী হোস্পিটাল অমদা রোবোটশিংনা পেসেন্টশিং স্ক্রিনিং তৌরি

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াগী টেক সিটি বেঙ্গলুরুদা লৈবা মরু ওইবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমনা হেল্থক্যের ৱারিয়রশিংবু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা পেসেন্টশিংবু স্ক্রিনিং তৌনবা রোবোট অনী শীজিন্নবা হৌরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা হোস্পিটাল অদুগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।




মিত্র রোবোট হায়না মমিং থোনবা রোবোটশিং অদুনা ফেসিয়ল অমসুং স্পীচ রেগগনিসন শীজিন্নদুনা অরাকপা মীশিংগা ইন্টরেক্ট তৌনৈ অমসুং মখোয়বু লাইহৌ, লোক খুবা অমদি নিংথম চনবগুম্বা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিংগীদমক্তা স্ক্রিনিং তৌই। মখোয়না হেল্থক্যের ৱারিয়রশিংবুসু ইনফেক্সনদগী ঙাকথোকপগী থবক তৌই হায়না ফোর্টিস হোস্পিটালগী স্পোক্সমেন্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

অহানবা রোবোটনা হোস্পিটাল অদুগী চঙফমদা পেসেন্টশিং, দোক্তরশিং, নর্সশিং, পেরামেদিকশিং অমসুং অতৈ য়াওনা ভিজিটরশিং স্ক্রিনিং তৌই। রোবোটিক স্ক্রিনিং অদু তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোকই। অহানবা রোবোটনা টেম্পরেচর চেক য়াওনা বেসিক স্ক্রিনিং পাঙথোকই। মদুগী মতুংদা লোক খুবা অমসুং নিংথম চনবগী লাইওংশিংগী মতাংদা ৱাফম খরসু রোবোট অদুনা য়েংশিল্লি।

পেসেন্ট অদুগী টেম্পরেচর লোক খুবা অমসুং নিংথম চনবগী সাইন য়াওদনা নোরমেল ওইবা তারবদি রোবোট অদুনা পেসেন্ট অদুগী মমিং অমসুং পীকচর য়াওনা স্ক্রিনিংগী রিজল্ট পনবা এন্ট্রি পাস অমা প্রীন্ট তৌই হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা রোবোট অদুনা অহানবগী রোবোটকী স্ক্রিনিং রিজল্টশিং লোয়নরবা পেসেন্ট অদুবু ফ্লুগী ক্লিনিক্তা শম্নহল্লি। ক্লিনিক অদুদা দোক্তর অমনা মশাদা শোক্তনা পেসেন্ট অদু দাইগনোস তৌই। মালেমগী ওইনা হেল্থক্যের ৱর্করশিংগী মায়োক্তা ইনফেক্সনগী চাং ৱাংলিবসি য়েংদুনা রোবোটনা স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না ফোর্টিসকী জোনেল দিরেক্টর মনিস মাতুনা ফোঙদোকখি।

## কেরেলা হেল্থ ওথোরিটিশিং কেস ৮ গী হৌরকফমগী মতাংদা ঙক্নরি



থিরুভনন্থপুরম, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা কোরোনাভাইরস টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবা মীওই ৮ গী ইনফেক্সনগী হৌরকফম খঙনবা হোৎনবদা কেরেলাগী হেল্থ ওথোরিটিশিং অৱাবা অমা ওইরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্টেট হেল্থ মিনিষ্টর কে কে সাইলাজানা ফোঙদোকখ্রে।

অদুমওইনমক মিনিষ্টর অসিনা কেরেলাদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন লাকপগী মওংদি লৈরোই হায়খি।

কোতায়মদা পোজিটিভ ওইরম্বশিং অমসুং ষ্টেট কেপিটেল দিষ্ট্রিক্টতা পোজিটিভ ওইরম্বা নর্স অনীগী ইনফেক্সনগী হৌরকফম হৌজিক ফাওবা চপ চানা লেপ্পা ঙমদ্রি। মখোয়দা নত্তনা পলাকাদ অমসুং কোজিকোদতসু কেস অমমম করম্না কদায়দগী ইনফেক্সন লাকখিবনো হায়বা খঙদ্রি।

অমরোমদা, থিরুভনন্থপুরমদা শিখিবা মীওই অনীগী কেসশিং অমদি থা ৪ দা ঙাইরিবা অঙাং অমা শিখিবদসু মেদিকেল ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা করম্না লায়না অসি লাকখিবগে হায়বগী মতাংদা খঙবা ঙমদনা লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌরকফম খোঙ্গুল লীবা ঙমদ্রিবা কেস খরা লৈদুনসু কেরেলাদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসন নৎত্রগা ভাইরস অসিগী অহুমশুবা লাইচৎকী ফিভম লৈত্রি হায়না ঐখোয়না ইরাই লায়না হায়বা ঙম্মী হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেট অদুদা দোক্তরশিং অমসুং অতৈ মেদিকেল প্রোফেস্নেলশিংসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লে হায়রদুনা ফিভম অদু নুংনাংলিঙাই ওই হায়খি। মেদিকেল প্রোফেস্নেলশিংনা শীজিন্নরিবা সিক্যুরিটি কিটশিংগী মতাংদা হৌজিক কিন্নবা হেনগৎলকপা লৈরে হায়না পল্লদুনা সেলাজানা হায়খি মদুদি, ষ্টেট অদুদা নুংতিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা টেষ্ট মশিং হেনগৎলে। নোংমাইজিং নুমিত্তা পুন্না টেষ্ট ৩০০০ পাঙথোকখি।

## টেষ্ট কিটশিংগী মমল ৱাংবগী মতাংদা গভর্নমেন্টতা তকখৎখ্রে



চেন্নাই, এপ্রিল ২৭ (এজেন্সি) :
রেপিদ টেষ্ট কিট অমগী মমল শুপ্নগী লুপা ২৪৫ ওইবা মতমদা টামিল নাদু গভর্নমেন্টনা কিট অমদা লুপা ৬০০কী চাং পীথোক্লিবা করিগীনো হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওপোসিজসন দি এম কেগী প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা হংখ্রে।

রেপিদ টেষ্ট কিটশিং গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) য়াওরগা লুপা ৪০০ দগী হেনদনা য়োনগদবনি হায়বা দিল্লি হায় কোর্টকী জজমেন্টবুসু মহাক্না তরাম্না ওকখি। কেপিটেলদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ষ্টেলিন্না হায়খি মদুদি, দিল্লি হায় কোর্টগী জজমেন্টকা মরী লৈনবা ইনফোর্মেসন্দা য়ুন্স্ফম ওইরগা চাইনিজ কম্পনিনা মখোয়গী রেপিদ টেষ্ট কিটশিং লুপা ২২৫গী চাংদা য়োনখি হায়বা খঙখি। ফ্রাইট কোষ্টনা কিট অমদা লুপা ২০ লোম ওইবা তারবদি রেপিদ টেষ্ট কিট অমগী মমল লুপা ২৪৫ ওইফম থোকই।

ষ্টেলিন্না মখা তানা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা টেষ্ট কিটশিং চাইনিজ কম্পনিদগী হকথেংননা লৈবগী মহুত্তা কিট অমদা লুপা ৬০০ কী চাংদা মদুসু ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিছার্স (আই সী এম আর)না রেকগনাইজ তৌদবা সিটি অসিদা বেজ তৌবা ইন্টরমিদিয়রি অমগী খুৎথাংদা লৈখিবগী মরম চীফ মিনিষ্টর কে পলানিস্বামিনা এক্সপ্লেন তৌগদবনি।

মমাংদা টামিল নাদু গভর্নমেন্টনা টেষ্ট কিটশিং অদু সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লেপ্পা মমলদা অমসুং সেন্টরনা শকখঙবা চাইনাগী কম্পনিদগী লৈবনি হায়না লাউথোকখিবনি। এ এম এম কেগী লিদর টি টি ভি ধিনাকরন্নসু টামিল নাদু গভর্নমেন্টনা টেষ্ট কিটশিং লৈখিবগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্লবা দিমান্দ তৌখি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯ লোকদাওন মনুংদা গাড়ি চৎথোক-চৎশিনশিং রেগ্যুলেট তৌবা য়ানবগীদমক্তা ষ্টেট ওথোরিটিশিংনা টামিল নাদুগী ভেলোর দিষ্ট্রিক্টকা অন্ধ্র প্রদেশকী চিতুরগা শম্নহল্লিবা লম্বী অনীদা কনক্রিক্ট ৱালশিং শাগৎখ্রে হায়রি।